ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবীনা লৈখিদবদা মহাক্কী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবা (লমায়-৬)

কুকিশিংদা ইন্দিয়ন-লো চৎনহনবা ঙমগদ্রা?
☛ লামায় ২

ইরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা চয়োল অমা ফানা চংলোই ঃ গাইখাঙম
লামায় ৭

ইন্দিয়াদগী কানাদাগী দিপ্লোমেট ৪০ লৌথোক্নবা খঙহনখ্রে
☛ লামায় ৮

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

রামকৃষ্ণ মিসন, ইম্ফালনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম মরিদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ৩ হেনবগী অরুন্বা ব্লাঙ্কেট য়াওনা চান-থরুবা পোৎলমশিং খুদোল তমখিবা (লমায়-৩)



Vol. 47, Issue No. 190 | য়ূমশকৈশা, লাংবনগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, October 04, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## মণিপুরগী পোপি পাম্বীশিং লোক্ত্রিঙৈদা মাঙহন্নবা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা খঙহনখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা থারিবা পোপি পাম্বীশিং লোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মাঙহন্নবা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা খঙহনখ্রে হায়না ন্যুজ এজেন্সী অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ৱাফম অসি রিপব্লিক পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অথৱালে)গী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা মহেশ্বর থৌনাওজম্না ঙরাং দেল্লীদা লৈবা মিনিষ্টর অসিগী ওফিসতা হকথেংননা উনখিবদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

মহেশ্বর থৌনাওজম্না ফোঙদোরকই হায়বগী মতুংইন্না ঙরাং মহাক্না দিফেন্স মিনিষ্টরগা উনখিবদা মণিপুরদা থারিবা পোপি পাম্বীশিং লোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মাঙহন্নবা হান্না হায়জখ্রবা মতুংদা ঙরাংসু অমুক হন্না তকশিনখিবনি হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উনখিবগী মতাংদা হংবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### বি জে পিদগী রিজাইন তৌনরকপা লেপত্রি

## লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাউন্সিল্লরশিং য়াওনা থৌপুবা ৭ বি জে পিদগী তোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :**

ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওফ পব্লিক এসেমব্লি ফোর রেষ্টোরেসন ওফ পিছ ইন মণিপুরনা মপাং লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা মে ৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা মমাঙ থাগী ১৬তা পাঙথোকখিবা পব্লিক এসেমব্লিনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্কী থৌপুবশিং রিজিগ্নেসন তৌগদবনি হায়খিবগী মতুংইন্না অহানবদা বি জে পিগী তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মন্দলগী প্রসিদেন্ট মরি অমসুং ও বি সী মোর্চাগী প্রসিদেন্ট অমা মখোয় মখোয়না পুরকপা ফমশিংদগী খক্তা নত্তনা বি জে পিগী মেম্বর ওইবদগী তোক্লে হায়বগী মশানা খূৎয়েক পীবা চেরোলশিং মীয়ামদা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা ঙসিসু লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (ইম্ফাল ৱেষ্ট) গী কাউন্সিল্লর মঙা অমসুং বি জে পি লংথবাল মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরিসু পার্টি অসিদগী রিজাইন তৌখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা মখোয় মশা মশানা খূৎয়েক পীবা চেরোলশিংগী মতুংইন্না বি জে পিগী মেম্বরশিপ ওইবদগী তোক্লে অমসুং পার্টি অসিগী থবক থৌরমশিংদগী পোত্থাজরে হায়না খূৎয়েক পীখিবশিং অদুদি লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর ওইরম্বা সী ঐচ কেশোকুমার (ৱার্দ নম্বর ১), এম প্রমোদিনি (লিলোং চজিং-ৱার্দ নম্বর ২), লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়দগী পুখ্রম্বম গিতা (ৱার্দ নম্বর ৩), থৌনাওজম অনিল (ৱার্দ নম্বর ৭), এল লালমনি (ৱার্দ নম্বর ৮) অমসুং লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বি জে পি মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরকখিবা লিলোং কৈথেল (ইম্ফাল ৱেষ্ট) তগী হাওরোংবম ধমেন মৈতৈনি হায়রি।

মীওইশিং অসিনা বি জে পিদগী মশানা য়ানা তোক্লে হায়বগী চেরোলশিং ফংখিবগা লোয়ননা ঙরাংদগী হৌনা ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওফ পব্লিক এসেমব্লি ফোর রেষ্টোরেসন ওফ পিছ ইন মণিপুরনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৬তা পাঙথোকখিবা পব্লিক এসেমব্লিনা লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না কম্মিটি অসিনা মপাং লূপশিংগা লোয়ননা চঙশিল্লকখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী থৌপুবশিং রিজাইন তৌবগী খোঙজংদা অয়াবা পীরদুনা মশা মশানা তোকপগী চেরোলশিং পীননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

ঙসিসু হায়রিবা মীওইশিং অসি খক্তা নত্তনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খরগী বি জে পি মন্দলগী তোঙান তোঙানবা থৌপুবশিং য়াওনা মেম্বর খরসু পার্টি অসিদগী তোকপগী অইবা চেরোল পীরগে হায়না ফোঙদোরকপা লৈরে হায়রি।

অদুম ওইনমক মফম অমসুং মতমগী মতুংইন্না খুদোংচাদবা খরদগী মখোয় মশানা খূৎয়েক পীবা বি জে পিদগী তোকপগী অইবা চেরোলশিং পীরকপা ঙমখিদবনি হায়রি। অদুবু পব্লিক এসেমব্লিদা মীয়াম হুপ্না লৌখিবা ৱারেপ অসিগী মতুংইন্না মখা তানা কম্মিটি অসিনা মপাং লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্নবা খোঙজংশিং চঙশিনখিগনি হায়রি।

### লিন্থোইঙম্বী অমসুং হেমঞ্জিৎ মীহাৎ

## খূত্থাং চরা হেনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** হিংচা য়াইতম্বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফারবা মতুংদা মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোকপীখ্রবা মহৈরোয় অনীগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সী এগেন্স দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ টু ষ্টুদেন্টস ফিজম হেমঞ্জিৎ এন্দ লুৱাংবী লিন্থোইঙম্বী হিজম বাই কুকি মিলিটেন্টসনা ঙরাং মীয়ামদা হায়জখিবগী মতুংইন্না ঙসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা খূত্থাং চরা হেনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং সেকমাই কনবা নুপী লূপনা ঙসি নুমিদাং পুং ৬ তারকপদগী মৈরাগী হ্যুমেন চ্যেন শেমদুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা হাৎতোকপীখিবা মহৈরোয় অনীগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীহাৎপশিং অথুবা মতমদা চৈরাক পীয়ু হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখি।

ময়াং ইম্ফালগী অপূনবা মৈরা পায়বী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪




থিনুঙ্গৈ



সেকমাই



ময়াং ইম্ফাল কেথেল



অরাপতি



চরাংপাৎ



হৈরোক



কৈবুল লমজাও




ৱাংজিং হোদাম্বা

## সেনাপতিগী প্রাইভেট স্কুলশিংদি ছুটি থারোইদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস):**

স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা থা অসিগী ২দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক্কী য়াওনা প্রাইভেট স্কুল পুম্নমক ঙসিদগী হৌরদুনা থা অসিগী ৫ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চূপ্না ছুটি থাগনি হায়না খঙহনখিবা অদুগী মায়োক্তা ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওল প্রাইভেট স্কুল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টদা ইখিবা চেরোল অমদা নোর্মেল ক্লাসশিং চথনবা হায়জখ্রে।

চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না স্কুল থিংবগী মতাংদা ওর্দরশিং থোক্লবসু নোর্মেল ক্লাসশিং চথহনবীয়ু হায়বগা লোয়ননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতদি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### দার্ক মন্থ ওক্টোবর

## ওক্টোবর ১৮দগী পিপলস নন-কোওপরেসন মুভমেন্টগী খোঙজং চঙশিল্লগনি : সী পি এন এম



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :**

কুকি অমসুং ফুরুপসিনা কোনশিনবা কাঙলূপ মচা মচাশিংগী মিলিটেন্টশিংনা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা ক্রোস বোর্দর টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মে ৩দগী চথরক্লিবা জেনোসাইদেল এগ্রেসন অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদা ইনিদয়া লৈঙাক্না তূমিন্না থা ৫ চূপ্না লৈশিল্লকপগী মায়োক্তা থা অসিগী ১৮দগী 'পিপলস নন-কোওপরেসন মুভমেন্ট' গী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কম্মিটি ওন পিপলস নন-কোওপরেসন মুভমেন্ট, মণিপুর (সী পি এন এম) না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল কৈশামথোং তোপ লৈরক্কী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কম্মিটি অসিগী কো কন্ভিনর সনসম তম্ফাইবেম্মনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী এন্টি পিপল ওইবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা চঙশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা অমসুং হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলদুনা লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংগী মনুংদগী ইসেন্সিএল সর্ভিস অমদি মীদিয়া খক য়াওদনা চঙশিনগদৌরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সৈমিনলুন গাংতে এন আই এনা নুমিৎ ৮নিগী পুলিস কষ্টদি লৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩০দা টাটা য়োধা অমদা চুড়াচান্দপুর রোমদগী কাংভাই তম্না লাকখিবগী লম্বীদগী নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) গী টিম অমনা তোর্বুং গোবিন্দপুরগী মফম অমদগী ফারগা নুমিৎতুমক্তদা দেল্লী তম্না পুখিবা কুকি লালহৌ লূপ অমগী মরু ওইবা কাদর সৈমিনলুন গাংতে এজেন্সী অসিনা ঙসি ন্যু দেল্লীগী এন আই এগী স্পেসল কোর্ট অমদা পুথোক্লগা নুমিৎ ৮নিগী মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

সৈমিনলুন গাংতে চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফাইখোলুম জে মুন্থা খুলদগী পাউখোকাই গাংতেগী মচানুপানি। এন আই এনা মে ৩দগী মণিপুরদা চথরকখিবা লানগী থৌদোকশিংগী মতাংদা সুও মোটুদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা রেগুলর কেস নম্বর ২৪/২০২৩/এন আই এ/দেল্লীগী মতুংইন্না মহাকপু ফাগৎখিবনি। কেস অসি এজেন্সী অসিনা জুলাই ১৯দা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## পিয়র অগোষ্টিনি, ফেরেন্স ক্রাউজ ১সুং অনন লুইলিয়রদা ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীরগনি

**ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):**

চৎলিবা কুম্নজা ২০২৩গী ওইনা ফিজিক্সতা পিয়র অগোষ্টিনি, ফেরেন্স ক্রাউজ অমসুং অনন লুইলিয়রদা ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

থাক ৱাংলবা মনা অসি মখোয়না এটোমস অমসুং মোলিক্যুলসকী মনুংদা শীংথানীংঙাই ওইবা এক্সপ্লোরেসনশিং পাঙথোকখিববু শকখঙলদুনা পীগদবনি হায়রি।

মখোয় অহুম্না ইলেক্ট্রোন দাইনামিক্সগী ষ্টদিগীদমক অটো সেকেন্দ পল্স ওফ লাইটকী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস):**

হয়েং ওক্টোবর ৪দা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরদা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা, ককচীং অমসুং থৌবালদনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Kuki phurupna konsinba kanglup macha-machasinggi Lan lephandriba faoba thokhanningdaba thoudoksing thorakhigani haibasi langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : ITLF amasung COTUna lourakliba phirepsing ashigi mayokta leingakna Lawgi oiba thabaksing loukhatlakpa ngamgani thajabra?

Yes 15% No 85%

## অনৌবা লালহৌলূপ শেল্লগা শেল খায়নবা হোৎনরম্বনি হায়বা মীওই চঙজরকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা অনৌবা লালহৌলূপ অমা শেমদুনা মীয়ামদগী শেনখায়-থুমখায় তৌনবা হোৎনরম্বনি হায়বা মীওইশিংগী মথক্তা লালহৌলূপ অমনা চঙজরক্নবা পীখিবা মতমগী মনুংদা মশানা মশাবু অনৌবা লালহৌলূপ অদুগী কম্মান্দরনি হায়জবা মীওই অমা চঙজরকখ্রে।

চঙজরকখ্রবা মীওই অদুগী মমিং পুখ্রিময়ূম টায়ব আলি এলিয়জ তাবে এলিয়জ উমোর কাজি (৫০) কৌই। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ৱাক্তা খুমনদগীনি হায়রি। মহাকপু ঙসি অঞ্জুমান ইসলাইএ মুসেরা (লিলোং) অমদি জামেতুল উলেমা, বিষ্ণুপুরগী থৌমীশিংদা শিন্নরক্লবা মতুংদা লূপ অনীসিগী থৌমীশিং য়াওনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম অমদা পাউমীশিংগী মমাঙদা পুথোকখ্রে।

মফম অদুদা পুখ্রিময়াম টায়ব অলিনা হায়, চহীসিগী ওগষ্ট ১৩দা হান্না লালহৌলূপ অমগী চ্যেরমেন ওইরম্বা এম আই খান ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### লান লোইশিন্দনা নোংমৈ পীখৎলকউ হায়বীরক্কনু

## অঙাং ২দু চীফ মিনিষ্টর, এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী মচা ওইরম্লবদি মখোয় তূমিন্না লৈরম্লোই : নিংথৌজা লানচা



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** ঐখোয়দি লানগীদমক হান্না শেম শাহৌদবনা খঙহৌদে অদুগা ঐখোয়দা কুকিশিংনা লান দারক্লিবা করিগীনো হায়বা ৱাহং হংলদুনা লান অসি লোইশিন্দনালৈঙাক্না নোংমৈ পীখৎলকউ হায়রিবসি মীয়াম্না য়ানীংদে হায়না সোসল এন্দ কলচরেল এক্তিভিষ্ট নিংথৌজা লানচানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নিঙোল শিন্নাইকোল (নিসিকোল) না শীন্দুনা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা তমথীরবা কুকিগী লানদা লৈখিদ্রবা মমল য়াম্লবা মীতৈ অথৌবা অথৌবীশিংগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমা মপাগী ফিজিগী লন ওইরিবা মহৈরোয় হিজম লুৱাংবী অমদি ফিজম হেমঞ্জিৎ অনী জুলাই ৬তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফারগা নুমিৎ নীনি হুম্নি চূপ্না নৌরিবা অঙাং অনীবু ওৎ নৈরবা মতুংদা হাৎখিবনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবনি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা মখোয়না পায়খিবা মোবাইল ফোনগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## য়ূম মৈ থাখিবদগী রিলিফ কেম্পদা লৈরে, ইশানা দ্রাইভর ওইরবসু হায়ৱেশিংদা চৎপা য়াদবদগী শেন্থোক লম্বী লৈত্রে : টি ঐচ ধনঞ্জয়

### হকথেংনবা পাউদম
*গ্বালতাগী খুঞ্জা*

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :**

মে ৩দগী চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চুড়াচান্দপুরদা নোংমৈ ফোংনা পায়রগা পিছ রেল্লি চৎখিবগা অমদি মফম অদুদা লৈরকখিবা মীতৈগী লাইশঙ অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট লোয়শঙগী ওফিসশিং হান্না মৈ থাদুনা এটেক চথরকখিবগা লোয়ননা তোর্বুং, বাংলা অমদি কাংভাইনচিংবা য়াওনা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাবদগী মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোরকখিবা ঈরাং অসি সেন্টর অমদি ষ্টেটতা লৈরিবা দবল ইঞ্জিনগী বি জে পি লৈঙাক অসিনা থা ৫ ফারক্লবা ফাওবদা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরকপদগী দ্রাইভরগী শিনফমদা লৈজবা মীওইশিংদদি লানগী চৈথেং অসিনা খম থেংনা ৱাহল্লে হায়না পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল হায়ৱে-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী অমদি নেসনল হায়ৱে -২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা মণিপুর মীয়ামগী নোংমগী পুন্সিদা চঙবা মথৌ তাবা পোৎলমশিং মণিপুরগী ৱাংমদগী পুশিল্লকপগী থবক তৌরক্লিবা য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা গ্বালতাবী অৱাং লৈকায়দগী ত্রক দ্রাইভর থৌনাওজম ধনঞ্জয়, অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ য়াইমনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, গ্বালতাবী অৱাং লৈকায়দা মীতৈগী য়ূম ৪৫ রোম লৈরম্বগী মনুংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটিগী অহোবা অমদি মী লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা য়ূম অয়াম্বা মে ২৮গী নোংঙাল্লমদাই পুং ১.৩০ রোম তারকপদা তুম্না মৈ থাদোকপীখ্রে। গ্বালতাবীদা লৈবা মীতৈগী খুল অসি কুকি খুলশিংগী মরক্তা লৈবা মরম্না লান থোরকপা হৌরকখিবদগী খুলশিং অসিগী মীতৈশিংদি মে ৪দগী হৌনা মশাগী খুল ঙাকচনবা মতিক চাবা নোংমৈ লৈজ দবদগী শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নখ্রবনি।



য়ূম ৪৫ রোম ওইরিবা মীতৈগী খুল অসিগী মীয়ামগা থংননা লৈমিন্নরিবা কুকি খুলগী মীওইশিং মরু ওইনা অহলশিংগদি য়াম্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকখিবনি। লান হৌরকখিবা মে ৩দদি মখোয়নসু মীতৈ খুঞ্জাশিংদা নখোয় চেনখিগনু, ঐখোয়সু চেল্লোই, পূন্না অদুমক লৈমিন্নসি হায়নখিবনি।

থৌনাওজম ধনঞ্জয়না মখা তানা হায়, ঐহাক্কী ইচানুপা ২, ইচানুপী ২ লৈ। মখোয় লোইনমক কুকি খুলগী মরক্তা লৈরকখিবনিনা কুকিগী লোল লোইনা খঙই। ঐহাক্কী লোয়নবী য়াইমবীনা য়ূম মনাক্তা হোটেল ফম্বনি। অদুবু ঐদি ত্রক দ্রাইভর ওইরুবনা অয়াম্বা মতমদা য়ূমদা লৈবা ফংখিদে। মে ৩দগী লান ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫